নুমিৎ ১০০ নিগী মতুংদা অসামগী বাঘজান গ্যাস ৱেলদা চাকখৎলকপা মৈ মুখৎপা ঙমদ্রি

গুৱাহাটি, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সি):

অসামগী বাঘজানদা লৈবা ওইল ইন্দিয়া লিমিটেদ (ও আই এল)গী নেচরেল গ্যাস ৱেল অমা মৈ চাকখৎলকখ্রবা মতুং নুমিৎ ১০০নি শুরবা ফাওবা মৈ মুখৎনবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদ্রে।

ষ্টেটকী কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর চন্দ্র মোহন পাতোৱারিনা হায়খি মদুদি গ্যাস ৱেলদা চাক্লিবা মৈ মুখৎনবা হোৎনবদা চয়োল ৬ গীনা ৮ ফাওবা চঙলবা য়াই। কেনাদাগী এক্সপর্ট টিম অমা অথুবা মতমদা থুংলরগনি। অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনা মৈ মুখৎপা ঙমদ্রি হায়না এসেমব্লিগী জিরো অৱর মতমদা কোংগ্রেসগী দুর্গা ভুমিজনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা মে ২৭ তা গ্যাস ৱেলদগী থিংবা ঙমদবা মওংদা নেচরেল গ্যাস থোরকপা মরম্না ইখঙ খঙহৌদনা মৈ চাকখৎলকখি। জুন ৯ দদি মনাক নক্লনা লৈবা দিব্রু-সিখোৱা নেসনল পার্ক অমদি মাগুরি মোতাপুং ৱেটলেন্দ মৈ চাকখৎলকখি। মদুনা মরম ওইরগা মীওই লিশিং কয়ামরুম ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখিবগা লোয়ননা ফায়রফাইটর ২ মৈ মুখৎনবা হোৎনবদা শিখি।

ওইল ইন্দিয়া লিমিটেদকী ওথোরিটিশিংনা হৌজিক ৱেলদগী থোরক্লিবা গ্যাস পুম্নমক নাকল অমরোমদা পুথোকখিনবা থৌরাং তৌরি। ও আই এলগী স্পোক্সপর্সন ত্রিদিব হজারিকানা হায়খি, ব্লো আউট প্রিভেন্টর (বি ও পি) দা পাইপ লাসন ফিট তৌরগা গ্যাস পুম্নমক অতোপ্পা নাকল অমদা পুথোকখিনবা থৌরাং তৌরি। থৌরাং অসিনা মনাক নকপদা খুন্দারিবা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবা ঙম্লগনি।

তিন্সুকিয়া দিষ্ট্রিক্টকী ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি ময়ুম থাদোক্তুনা চৎলুরবা মীওই অয়াম্বা মশা-মশাগী ময়ুমদা হল্লকখিবা তারবসু হৌজিক হৌজিক বাঘজান অমসুং গুইজানদা হাংদোকপা রিলিফ কেম্প অনীদা মীওই ৫০০ হেন্না চঙজফম লৌদুনা লৈরি।

চুতিয়াগী মীওই মীরেপ ওইনা থাগৎপিনবা তকশিনখ্রে

গুৱাহাটি, সেপ্তেম্বর ০৩, (এজেন্সি):

কুমজা ২০২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অসামগী এসেমব্লি মীখলদা চুতিয়া কাঙলুপকী মীওইশিং মীরেপ ওইনা থাগৎপিয়ু হায়না কাঙলুপ অসিগী ওর্গনাইজেসন মরিনা মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা তকশিনখ্রে।

মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা চুতিয়া যুব ছাত্র সনমিলন, চুতিয়া জাতি মহিলা সনমিলন, চুতিয়া যুব সনমিলন অমসুং চুতিয়া ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন্না হায়খি মদুদি করিগুম্বা ভারতিয়া জনতা পার্টি, অসোম গন পরিষদ নৎত্রগা কোংগ্রেসনা কাঙলুপ অসিগী মীওইশিং মীরেপ ওইনা থাগৎপিদবা তারবদি ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা চোংথোক্লগনি।

বি জে পি য়াওনা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়রকখিবা পার্টিশিং য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা চুরিতয়া ফুরুপকী লুচিংবশিংনা হায়খি মদুদি কাঙলুপ অসি অসামদা খ্বাইদগী শোথবা কাঙলুপ ওইদুনা লৈরে। লৈঙাক্লা চুতিয়াশিংগী পোলিটিকেল অমসুং ইকনমিক ইম্পাৱরমেন্টকা মরী লৈনবা থবক থৌরম অমদা পায়খৎপিদ্রে। বি জে পিনা মতম অমদা কাঙলুপ অসিগী ওটোনোমস কাউন্সিল শেমগনি হায়না ৱাশকখ্রবসু হৌজিক ফাওবা থবক ওইনা পায়খৎলক্ত্রে।

অসামগী কাঙলুপ ৬ সেদ্যুল কাষ্ট/ সেদ্যুল ট্রাইবকী ষ্টেটস পীগদবনি হায়বা ৱাফমসু লৈঙাক্লা থৌশাদ্রে হায়না চুতিয়া ফুরুপকী লুচিংবশিংনা চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

‘মথং চহীগী মার্চ থাদা মেঘালয়া লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অনৌবা বিল্ডিং শাবা লোইরগনি’

শিল্লোং, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সি):

মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরেদ কে সংমানা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অনৌবা বিল্ডিং শাবগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনখ্রে। চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মথং চহীগী মার্চ থাদা এসেমব্লিগী অনৌবা বিল্ডিং শাবা লোইশিল্লগনি।

ন্যু শিল্লোংগী মোদিয়াংদিয়াংদা শারিবা এসেমব্লিগী অনৌবা বিল্ডিংগী মতাংদা সংমানা ঙসি মরী লৈনবা ওফিসলগা লোয়ননা ভিদিও কনফরেন্সতা ৱারী শান্নখি। ভিদিও কনফরেন্স লোইরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, চহী অসিগী মনুংদা বিল্ডিংগী ষ্ট্রকচর পুম্নমক শাবা লোইশিল্লগনি। বিল্ডিংগী মনুং থংবা শরুকশিং শাবা লোইশিনবদা থা ৮ লোম চঙলবা য়াই।

বৃটিশ মতমগী এসেমব্লি বিল্ডিং অমা কুমজা ২০০১ দা মৈ চাকখ্রবা মতুংদা হৌজিক ফাওবা মেঘালয়াগী চপ চাবা এসেমব্লি বিল্ডিং অমত্তা লৈত্রি। মৈ চাকপগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরিগী ওদিটরিয়মদা মেঘালয়া লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ওইনা শীজিন্নদুনা লাকখি। অকোনবদা রিবোংগী কলচরেল কমপ্লেক্সতা অমুক এসেমব্লি হোংদোকখি।

মমাংদা মেঘালয়াগী পব্লিক ৱর্কস দিপার্টমেন্ট পায়রিবা মিনিষ্টর কোমিনগোন য়িমবোন্না হায়খিবনি মদুদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম খরা থবক লেপ্পুনা লৈরকপদগী এসেমব্লি বিল্ডিং শাবদা মতম থেংথহল্লে। থেংলবদা কুমজা ২০২২ ফাওবদা অনৌবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী বিল্ডিং শাবা লোইশিল্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। অদুমওইনমক চীফ মিনিষ্টর কোনরেদ কে সংমানদি মথং চহীগী মার্চ থাদা এসেমব্লিগী বিল্ডিং শাবা শোয়দনা লোস শিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি। অনৌবা এসেমব্লি অসি মমাং চহীগী জুন থাদগী শাবা হৌখিবনি।

ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল ইশ্যুগী ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি : এন পি এফ

দিমাপুর, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সি):

ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল ইশ্যুগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি হায়না নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)না ফোঙদোকখ্রে।

জোইন্ট লেজিসলেটরস ফোরম (জে এল এফ)তগী তোক্লবা মতুংদা এন পি এফনা পোলিটিকেল এফেয়রস মিসন (পি এ এম) শেমখ্রবনি। ষ্টেটমেন্ট অমদা এন পি এফনা হায়খি, পার্টি অসিনা হেক লৈরকপদগী ঙসি ফাওবা নাগা পোলিটিকেল ইশ্যুগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মতুং তারকপদসু নাগা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থৌদাং লৌখিগনি।

পার্টি অসিনা জে এল এফতগী তোকখিবগী থৌওং অদুনা লৈঙাক পায়রিবা পিপলস দেম্মক্রেটিক এলায়ন্স (পি দি এ)দা নীংবা কায়হল্লম্বা য়াই হায়না পল্লদুনা এন পি এফনা হায়খি, নাগা পোলিটিকেল ইশ্যু হায়বসি এন পি এফকীদমক্তদি খ্বাইদগী মরু ওইবা ৱাফম ওইবা মরম্না হীরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি। ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল ইশ্যুগী মতাংদা মশক থোকপা থবক পায়খৎলক্তবা মরম্না জে এল এফতগী তোকখিবনি হায়নসু এন ফি এফনা ফোঙদোকখি। অহানবা জে এল এফ শেমখিবা মতমদা থাজবা কয়ামরুম থমখি হায়না পল্লদুনা এন পি এফনা হায়খি, নাগা মীয়ামগী অপাম্বা ফংহন্নবা থবক তৌরক্তবনা ফ্রন্টতগী তোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি।

ফ্লাইবিগনা মথং থাদগী অৱাং-নোংপোক লমদমদা ফ্লাইট ওপরেসন হৌরগনি

গুৱাহাটি, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সি):

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দারক্লবসু ফ্লাইবিগনা মথং থাদগী অৱাং নোংপোক লমদমদা ফ্লাইট ওপরেসন তৌবা হৌরগনি।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মীওই ৭২ তোংবা চনবা এ টি আর এয়রক্রাফট অমা শিল্লোংদগী দিল্লি ফাওবা পাইরগনি। এয়রলাইন কম্পনি অসিগী ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি ওক্তোবর থা তংখায় চল্লকপদা উরে দেশকা আম নাগরিক (উদান) প্রোজেক্টকী মখাদা অৱাং নোংপোক্কী মফম পুম্নমক্তা কর্ম্মসল ওপরেসন হৌরগনি।

রিজনেল কনেক্তিভিটি স্কিম (আর সী এস)কী মখাদা সেন্টরদা অৱাং নোংপোক লমদমদা ফ্লাইট ওপরেসন তৌনবগী অনৌবা লম্বী ৭৮ অয়াবা পীখ্রবনি। অনৌবা থৌরাং অসিগী মখাদা শিল্লোংগা অৱাং নোংপোক লমদমগী অতে ষ্টেট কেপিটেল অয়াম্বগা শম্নরগনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা এভিএসন সেক্তরদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লকপা তারবসু ফ্লাইবিগনা ইন্দিয়াদা কর্ম্মসিয়ল ওপরেসন তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকখি।

বিগ চার্টরনা প্রমোট তৌবা এয়রলাইন অসি মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিএসন্না নো ওবজেক্সন সার্টিফিকেট (এন ও সী) পীখ্রে। ফ্লাইবিগনা শীজিন্নগদৌরিবা এয়রক্রাফটশিংগী মনুংদা এ টি আর-৭২-৫০০ অমসুং হিন্দুস্থান এরোনোটিক্স লিমিটেদকী দোনিয়র দি ও-২২৮ য়াওরি। মতুং তারকপদা কম্পনি অসিনা অৱাং নোংপোক্কী এয়রপোর্ট লৈতবা অদুবু এয়রষ্ট্রিপ লৈবা মফমশিংদসু ফ্লাইট সর্ভিস তৌনবা থৌরাং লৌখৎলি।

ষ্টেটকী পাউ

ইপা-ইপুশিংগী নীংশিং খুভমদা লাইনিং অমগী লাইশঙ শাজিনবা লাইবক থীবনি : হেমন্ত

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস):

কুমজা ১৮৯১ দা শোক্লখিবা এংলো মণিপুরী লানগী খোংজোম লানফমদা ইরৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা ইপা-ইপু অথৌবশিংগী নীংশিং খুভমদা লাইনিং অমগী লাইশঙ শাজিনবা হায়বসি লাইবক থীবনি হায়না খোংজোম ৱার মেমোরিএল ট্রষ্ট (কে দব্লিয়ু এম টি)গী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা হান্নগী মিনিষ্টর মোইরাংথেম হেমন্তনা ফোঙদোরক্লি।

খোংজোম মেমোরিএল ট্রষ্টনা শীন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্পুনা চথরকপা তর্পনগী চহী ২৭লকশুরকপা ওইনা ঙসিসু খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা লৈবা ইরৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী নীংশিং খুভম অমদি খোংজোম তুরেলদা লাংবন হৈশোই কৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কে দব্লিয়ু এম টিগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম হেমন্তনা হায়খি, কোভিদ-১৯ পাক শন্না শন্দোরকপনা মরম ওইরগা মী য়াম্না তীনবা য়াদবনা এস ও পি ঙাক্না ট্রষ্ট মেম্বরশিং খক্না শরুক য়ারগা ঙসিগী লাংবন হৈশোই কৎপগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ট্রষ্ট অসিনা হৌখিবা কুমজা ১৯৯৪ দগী মরৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা লেপ্পুনা লাংবন হৈশোই, লৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। খোংজোম ৱার মেমোরিএল ট্রষ্ট অসি শেংলবা ইপা-ইপুশিংগী খুভমনি। খোংজোম লানফমদা অথৌবশিংনা থৱায় কৎখিবা মফমনি। অদুবু লাইবক থীবদি শেংলবা অথৌবশিংগী য়াতাফম অসিদা কাঙলুপ অমগী লাইনিংগা মরী লৈননা লাইশঙ অমা অনী শাজিনবা হায়বসি য়াম্না তৌহৈদবা থবক্লি। মসি পুম্নমক অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না খঙদবরা। মণিপুর লৈঙাক্লা উদবরা। অসিগুম্বা শেংলবা ইপা-ইপুশিংগী য়াতাফম অসিদা মতৌ করম্না লাইশঙ শাবনো হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মফম কয়াদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস):

পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ অমদি ইন্দিয়ন রেদ ক্রেস সোসাইটি, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ, ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন অমদি এসোসিএসন ফোর হেল্থ ক্যের প্রোভাইদরস ওফ ইন্দিয়ানা খুন-খুন, লৈকাই-লৈকাইদা লেপ্পুনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা চথরকপা এৱ্যেরনেসকী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা খুন কয়াদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়না পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ইন-চার্জ এম অঙম্বা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোংপাল লাই হিদেনদা ইন্দষ্ট্রিয়ল ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগা খুৎশম্নরগা এৱ্যেরনেস পাঙথোকখি। এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা সী ঐচ সরত, এম বোচৌ, আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি ডা. আর কে নিমাই, আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্ট ব্রাঞ্চকী চেয়রমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বা অমসুং পি টি এফ সী-১৯গী কো-কনভিনর এন বিমোলনা প্রসিদিয়ম মেম্বর অমসুং রিসোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াখি।

ৱাইসী বিব্রাহ্মপুর অরিবম লৈকাইগা খুৎশম্নরগা য়ুঠ ক্লব ব্রহ্মপুর গ্রাউন্দদা ডা. জেমস এলাংবম সেক্রেটরি এ ঐচ পি আস, এ রুহিনিকুমার প্রসিদেন্ট য়ুঠ ক্লব ব্রহ্মপুর অরিবম লৈকাই, ডা. আর কে নিমাই সেক্রেটরি আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ, ডা. আর কে রোসি দেপ্যুটি দিরেক্টর হেল্থ দিরেক্তোরেট, গুরুময়ুম প্রিয়োবর্তা সিনিয়র মেম্বর য়ুঠ ক্লব ব্রহ্মপুর অরিবম লৈকাইনা প্রসিদিয়ম মেম্বর অমদি রিসোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াখি।

লোইতাং খুনৌ কম্যুনিটি হোলদা লোইতাং খুনৌ য়ুঠ ক্লব অমদি ওল মণিপুর নুপী মরুপ লোইতাং খুনৌ ব্রাঞ্চকা খুৎশম্নরগা পুন্না পাঙথোকখি। এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা ডা. ৱাই মোহেন চেয়রমেন আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ, ডা. ও রতন সেক্রেটরি আই আর সী এস ইম্ফাল ৱেষ্ট ব্রাঞ্চ, বি কে মোইরাংচা কনভিনর পি টি এফ সী-১৯, ডা. মোনিকা থোকচোম এনেসথিসিলোজি অমদি ইরেংবম তোম্বা এদভাইজর এস এন ৱাই টি কেনা প্রসিদিয়ম মেম্বর অমদি রিসোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

ৱিভর অমসুং অর্টিসানশিংদা শেনফম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস):

লোকদাউন মনুদা ৱিভর অমসুং অর্টিসানশিংদগী লৈখিবা হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটসকী পোথোকশিংগী মমলগী শেনফম টেক্সটাইলস, কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বাজিৎনা য়েন্থোকখ্রে। ন্যু সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা মিনিষ্টরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, লোকদাউন মনুংদা ৱিভর অমদি অর্টিসানশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী য়েংলগা মখোয়না পুথোকপা পোথোক পুম্নমক লৈঙাক্লা লৈশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। ৱিভর অমসুং অর্টিসানশিংনা খুদোংচাদবা হেক মায়োক্লরকপদা টোল ফ্রী ওইবা নম্বর ১৮০০৫৭২০৯০৬কী খুথাংদা ৱাকৎলকপা য়াগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হেন্দলুমস এন্দ টেক্সটাইলসকী দিরেক্টর কে লামলি কামৈনা হায়খি মদুদি মিনিষ্টরগী থৌশিল মখাদা দিপার্টমেন্ট অসিনা লোকদাউন মনুংদা ৱিভর অমদি অর্টিসানশিংগী পোথোক পুম্নমক লৈশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলে। সেন্ট্রল মিনিষ্ট্রিনসু হীরম অসিগী মতাংদা মান্নবা মখলগী স্কিম অমা চৎনহন্নবা খঙহলকপা লৈখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী বেনিফিসরি ৭০গী মনুংদা ১১ না ফংফম থোকপা শেনফম ফংখি। লোকদাউন মনুংদা ৱিভর অমদি অর্টিসনশিংনা পুথোরকপা পোথোকশিং লৈশিন্নবা লুপা ক্রোর ১.১৭ কায়থোকপা লৈখ্রবনি।

দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সটাইলস, কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ অমসুং মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিভলপমেন্ট কোওপরেসনগা খুৎশম্নরগা জুলাই ১৫ ফাওবদা ৱিভর অমদি অর্টিসনশিংনা য়োন্থোকপা ঙমদনা লৈরিবা হেন্দলুমগী ফিরোল অমদি হেন্দিক্রাফটকী পোৎলমশিং লৈশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি।

তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) :

ৱাংখৈ এ সীগী মনুং চন্না কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা ন্যু চেক্কোনগী মফমশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংদা হন্দক্তা কোংগ্রেস পার্টিদা য়াওখ্রবা থাংজম অরুনকুমারনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে। লোয়ননা সোসল ৱর্কর অসিনা চিংমৈরোংদা লৈবা লৈ ইংখোল চৎপগী লম্বী পরিংদা নুঙ থাদুনা লম্বীগী ফীভম শেমজিনখ্রে হায়রি।

বেঙ্গুন কৈথেল শঙ শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস):

ময়াং ইম্ফাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী বেনগুনদা নৌনা শাবা বেনগুন কৈথেল শঙ ঙসি জেসি আই এ এস কোচিং সেন্টরগী দিরেক্টর অল্টাফ হুসেনননা হৌনবী মতুং ইন্না রিবোন কক্তুনা শঙ্গাখিবগা লোয়ননা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

বেনগুন বাজার বোর্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (বি বি বি দি সী)না শীন্দুন ঙসি পাঙথোকপা কৈথেল শঙ শঙ্গাবা অদুদা কৈথেল শঙ অসি শাবদা চঙবা শেনফমশিংসু পুথোক্লিবা থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেন অল্টাফ হুসেনননা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অমা চাওখৎপা পুরকপদা কৈথেল মশিং য়ামহনবা হায়বসি মথৌ তাই। মসিগী মথক্তা বন্দ ব্লোকেদ অমদি অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা ইশ্যু কয়া লাকপদা কৈথেল লৈতবদগী নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লৈফম লৈতবগী অৱাবা কয়া মীচম-মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্লরি। অদুবু ঙসি শঙ্গারিবা কৈথেল অসিনা বেনগুন অমদি অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদা কান্নবা কয়া পীরগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, তংদু লৈতাবা, খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় মশেল মরক্তা অমগা-অমগা মতেং পাংনদুনা নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নগে হায়রবদি ঐখোয় মান্নবা থাক্তা লৈবা মথৌ তাই হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না য়ান্নরবা ৱাফম্নি। মরম অসিনা ঐখোয় নুংশিন্নবা অমসুং তংদু লৈতাবা ইরমদম অমা ওইহনদবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোনদা বাজার কম্মিটিনা মার্কেট সেদ অমা শাবিনবা হায়রবগা থবক ওইনা ওন্থোকচবনি, মখা তানা বাজার অসি পাকথোক চাওথোকপা মথৌ তারক্লবসু অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙসি শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা বি বি বি দি সী প্রসিদেন্ট অলহাজ অব্দুল হৈঞ্জনা থৌরম মপু অমদি বেনগুন জমিয়তুল উলামাগী সদর অলহজা মৌলানা রিয়াজুদ্দিননা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

CROSSWORD-3550



ACROSS

- 1 Step-by-step (7)
- 5 Goes without food (5)
- 8 Hawaiian greeting (5)
- 9 Relative (7)
- 10 Exceptional (7)
- 11 The Merry Widow composer (5)
- 12 Cunning plan (6)
- 14 Brief period of rain (6)
- 18 New (5)
- 20 Brawl (5-2)
- 22 First course of a meal (7)
- 23 Depart (5)
- 24 Unbound (5)
- 25 Shorten (7)

DOWN

- 1 Spectacles (7)
- 2 Domicile (5)
- 3 Radioactive element (7)
- 4 Probable (6)
- 5 Ultimate (5)
- 6 One way or another (7)
- 7 Underwater detection system (5)
- 13 Try (4,1,2)
- 15 One who trains and looks after an animal (7)
- 16 Full (of food) (7)
- 17 Old Greek city-state (6)
- 18 Of the nose (5)
- 19 River of forgetfulness (5)
- 21 Listened to (5)

Solution 3549

B	R	E	A	S	T	■	C	A	S	H	E	W
O	■	N	■	T	■	■	■	R	■	Y	■	A
T	A	R	R	Y	■	A	N	C	I	E	N	T
A	■	A	■	L	■	N	■	H	■	N	■	S
N	E	G	L	E	C	T	■	I	D	A	H	O
Y	■	E	■	■	■	A	■	V	■	■	■	N
■	■	D	I	V	E	R	G	E	N	T	■	■
T	■	■	■	I	■	C	■	■	■	R	■	R
R	U	R	A	L	■	T	O	P	S	I	D	E
O	■	O	■	L	■	I	■	L	■	L	■	G
P	R	O	S	A	I	C	■	A	R	O	M	A
I	■	M	■	I	■	■	■	N	■	G	■	R
C	R	Y	I	N	G	■	S	T	A	Y	E	D

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3349

	8	1			3		2	
7					2			
				6			5	4
		4					1	5
3								6
2	6					4		
1	3			8				
			3					7
	4		7			1	3	

Solution-3348

2	3	9	6	4	8	5	7	1
1	4	5	7	3	2	6	8	9
8	6	7	9	1	5	4	3	2
6	7	8	2	5	1	9	4	3
3	1	2	4	7	9	8	5	6
9	5	4	3	8	6	2	1	7
7	9	1	8	6	4	3	2	5
4	2	3	5	9	7	1	6	8
5	8	6	1	2	3	7	9	4

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers


কৈনু
ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম
ঙমতাৱান্না উতুপ লাং ওইবা য়াবা উ য়েংলম্মী।
মসিগী উসি চপ চারে।
মানা উদুদগী উতুপকী লাং শেল্লম্মী।